# জেরুসালেমদা বসতা নোংমৈ কাপখ্রে, থৌদোক অদুবু ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংনা টেরর এটেকনি হায়খ্রে

জেরুসালেম, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): জেরুসালেমগী ওল্ড সিটিদা বস অমদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই নিপান শোকহনখিবা সস্পেক্ট অমা ফারে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইজরেল্লি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদুদা অশোক অপন নঙলবা মীওই নিপানদুগী মনুংদা মীরোনবী নুপী অমা য়াওনা মীওই অনীগী ফিভম লুনা লৈ হায়নসু ইজরেল্লি পুলিসনা ফোঙদোকখি।

জিয়ুশিংগী খ্বাইদগী শেংলবা লাই খুরুম্ফম ওইরিবা ৱেষ্টর্ন ৱালদগী পংলাপ লাপ্পুনা এটেক অদু চথখ্রবা মতুংদা পব্লিক রেদিওদা ৱা ঙাঙলদুনা পুলিস স্পোক্সমেন কাল ইলি লেভিনা টেররিষ্টশিং অদু ঐখোয়গী খুৎতা লৈরে হায়খি।

বস অদুগী দ্রাইবর দেনিয়েল কানিস্কেনা ফোঙদোকখিবদা নোংঙাল্লমদাইগী মতমদা দেবিদকী টোমদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মশিং থিঙমদ্রবা নোংমৈ মরুশিংনা পাল্লবা মহাক্কী গাড়ী অদুগী মমাঙদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা দেনিয়েলনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক ৱেষ্টর্ন ৱালদগী লাকখিবনি।



বস অদুদা পেসেঞ্জরশিংনা থন্না তোংখি। মহাক্না গাড়ী অদু টোম ওফ দেবিদকী ষ্টেসনদা খামখি। তাঞ্জা অদুদা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখি। মপানদা লৈবা মীওই অনী লৈমায়দা হাইথখি অমদি গাড়ী মনুংদা তোংলিবা মীওই অনীগী মশাদা ঈ থোকপা উখি। মীপুম খুদিংমক মীপায়নখি। ইজরেলগী ইমর্জেন্সি মেদিকেল সার্ভিসেস মাগেন দেবিদ অটোম (এনদিএ) না থৌদোক অদুবু ওল্ড সিটি অদুদা চথখিবা টেরর এটেক অমনি হায়না ফোঙদোকখি। অথুবা মতমদা মেদিকশিং থৌদোক থোকফম অদুদা চঙশিন্নখি।

মেদিকশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, মালে হাসালোন ষ্ট্রিটকী ময়াই চবুক মক্তদা ঐখোয়না পেসেঞ্জর বস অমা উখি। লম্বীদা লেপ্পলম্বা মীওইশিংনা ঐখোয়দা নোংমৈনা পানবদগী শোক্লবা চহী ৩০ রোম শুরবা নুপা অনী ট্রিটমেন্ট তৌননবা হায়রকখি।

এনদিএগী স্পোক্স পার্সন জাকি হেলরনা হায়খি, মদুদি এটেক অদুদা নুপা তরুক অমসুং নুপী অমা শোকখি। মীওই তরেৎমক মপুং ফানা ৱাখল তানা লৈবা উখি। সারে সেদেক হোস্পিটালগী স্পোক্সমেন অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা অশোকপশিংদুগী মনুংদা অমদি মীরোল্লবী নুপীনি। মহাক এটেক অদুগী মনুংদা অঙাং উন্নখি। মহাক হৌজিক অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি। অঙাং অদুসু মমাগুম্না অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এটেক অদুগী মতুংদা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর য়ায়ার লাপিদনা হায়খি, মদুদি আর্মি অমসুং অতৈ সেক্যুরিটি সার্ভিসেসনা টেররিষ্ট অদুবু ফাননবা হোৎনরি অমসুং মহাক ফাদ্রিবা ফাওবা মখোয়না হোৎনরিবা অদু লেপ্লোই। গাজা ষ্ট্রিপ কন্ট্রোল তৌরিবা পেলেষ্টিনিয়ন ইস্লামিক গ্রুপ হামাসনা এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌদবীদা থৌনা লৈনা চথখিবা ওপরেসন অদুবু থাগৎখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা গ্রুপ অসিনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী মীওইশিংনা অরৈবা পাম্বৈ খুদিংমক শীজিন্নদুনা মখা তানা ওক্যুপায়রশিংদা অথিংবা পীগনি অমদি মখোয়বু থেংনগনি।

বসতা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অসি মী কুংনা তাবা পেলেষ্টিনিয়ন এনক্লেব গাজাদা ইজরেল অমসুং ইস্লামিক জিহাদ মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা খুৎ থোক্ল- খিবা মতুং চয়োল অমা কান্নরগা থোক্লক্লিবনি।

# পাকিস্তানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা এআরৱাই ন্যুজতা পীবা নোটিস হায় কোর্টনা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): এ আর ৱাই ন্যুজকী সেক্যুরিটি ক্লিয়ারেন্স কেন্সেল তৌখিবা পাকিস্তানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী নোটিস সিন্দ হায় কোর্টনা সস্পেন্দ তৌখ্রে। জষ্টিস অদনান ইগবাল চৌধরিগী বেঞ্চ অমনা ইন্টরিয়র সেক্রেটরি, পাকিস্তান ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া রিগ্যুলেটরি ওথোরিটিগী চিয়ারমেন, ফেদরেল লো ওফিসার অমা অমসুং অতৈ দিফেন্দেন্টশিংদসু ওগষ্ট ১৭ তা চথুগদবা হিয়ারিংগীদমক নোটিসশিং ইস্যু তৌখি হায়না দোনগী রিপোর্টনা হায়রি।

থাংজ নুমিত্তা এ আর ৱাই ন্যুজ মেনেজমেন্টনা হায় কোর্টতা লো স্যুট অমা ফাইল তৌদুনা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ওগষ্ট ১১ দা ইস্যু তৌখিবা নোটিস অমবু শীংনখি। নোটিস অদুনা পেমরাদা এ আর ৱাই ন্যুজ তা ইস্যু তৌখিবা এনওসি খুদক্তা কেন্সেল তৌনবা খঙহনখিবনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী নোটিস অদুনা এজেন্সিশিংগী রিপোর্ট খরদা য়ুম্ফম ওইরগা এ আর ৱাই ন্যুজতা ইস্যু তৌখিবা এনওসি কেন্সেল তৌনবা মেদিয়া রেগ্যুলেটরি ওথোরিটি অসিদা দিরেক্সন পীখিবনি।




কাউন্সেলনা ফোঙদোকখিবদা এসঐচসিনা ওগষ্ট ১০ দা পেমরাদা এ আর ৱাই ন্যুজকী ট্রান্সমিশন অমুক মখা চথহন্নবা দিরেক্সন পীখি অমসুং চেনেল অদুগী লাইসেন্স ওগষ্ট ১৭ ফাওবা রিভোক তৌদনবসু খঙহনখি। অদুম ওইনমক ওর্দর অদু ইনখিদবগা লোয়নন্না মিনিষ্ট্রি অসিনা পেমরাদা নোটিস অদু ইস্যু তৌখিবনি হায়না কাউন্সেলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা এ আর ৱাই ন্যুজ থিংজিন্নবা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদুবু মেদিয়া বোদিশিংনা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং চেনেল অদুবু রেষ্টোর তৌনবা ওথোরিটিশিংদা তকশিনখ্রে।

এ আর ৱাই ন্যুজকী এনওসি কেন্সেল তৌবদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা পাকিস্তান ব্রোদকাষ্টর এসোসিএসন (পিবিএ) না ষ্টেটমেন্ট অমদা ওথোরিটিশিংদা ইনফম থোকপা লিগেল প্রোসেস ইন্নবা অমদি চেনেল অসিদা মসিগী পোজিসন এক্সপ্লেন্ট তৌনবগী খুদোংচাবা পীননবা তকশিনখি।


এসোসিএসন ওফ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া এদিটর্স এন্দ ন্যুজ দিরেক্টর্সনসু গভর্ণমেন্টনা এ আর ৱাই ন্যুজতা ইস্যু তৌখিবা এনওসি কেন্সেল তৌরিবা নোটিফিকেসন অদু খুদক্তা ৱিদ্রো তৌনবা দিমান্দ তৌখি।

# দিন্যুক্লিয়ারাইজেসনগী মতাংদা পনখিবা ৱাফমগা মরী লৈননা নোর্থ কোরিয়ানা যুএন চীফপু চৈ থাংখ্রে

সিওল, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): হৌখিবা চয়োলদা সিওলদা চৎখিবা খোঙচৎ অমগী মনুংদা যুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা দিন্যুক্লিয়ারাইজেসনগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংবু য়ানিংদবা উৎলদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়ানা গ্লোবেল এজেন্সি অসিগী মকোক ওইরিবা গুটরেজ মীচং মীখায় নাইদবগী থৌওং ইচেন চেন্দে হায়না মরাল শীখ্রে।

প্রেসতা পীবা ৱারোল অমদা নোর্থ কোরিয়াগী ভাইস ফোরেন মিনিষ্টর ফোর ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসন কিম সোং-গিয়োংনা নোর্থ কোরিয়াবু মপুং ফাবা দিন্যুক্লিয়ারাইজ তৌবগী ৱাফম শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখিবগীদমক্তা যুএন চীফ অসিবু কন্না য়ানিংদবা উৎখি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা গুটরেজনা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওলগা মীফম অমা পাঙথোকখি। কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিগী আর্টিকল অমগী মতুং ইন্না কিমনা হায়খি, মদুদি মীচং মীখায় নাইদবগী ৱাখল্লোনবু মপুং ফানা তাইওন্নবা মওংদা অমদি মশাগী দ্যুটিগী টার্ম ভাইওলেট তৌবা মওংদা যুএন সেক্রেটরি জেনরেলনা পীখিবা কম্মেন্টশিং অদু য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওই হায়না কিমনা ফোঙদোকখি।



ৱাৰ্ল্ড বোদি অসিগী চীফনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু কোরিয়ন পেনিন্সুলাগা মরী লৈনবা যুএন চার্টরগী মায়োক্তনি হায়নসু কিমনা ফোঙদোকখি।

যুএস অমসুং মসিগা মীচং ওইনবা কাঙবুশিংনা প্রমোদ তৌরিবা সিবিআইদি অসিনা তশেংনমক দিপিআরকেগী সোভরেন্টিদা শোকহল্লি। মসিগী মরমদি সিবিআইদিনা যুনি লেটরেল দিসামামেন্টকী ৱাফম অসিবু দি পি আর কেদা তত্তনা খঙহল্লিবা অসিনি।

দিপিআরকেনা ৱাফম অসিবু য়াদে হায়বসি সেক্রেটরি জেনরেল গুটরেজনসু খঙলম্বা য়াই হায়না ভাইস ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। দিপিআরকে অসি দিমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়া হায়রিবা নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসল মিং অসিগী এক্রোনিয়িমনি।

কিমনা হায়খি, মদুদি নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম অসি লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি প্রোটেক্সনগীদমক্তা তঙাই ফদনা পায়খৎফম থোকপা অমনি। কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা শোকহনগদবা অরুবা ফিভম কয়া লৈরিঙৈ মরক্তা অসিগুম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা মতমদা চেকশিন্ননবসু কিমনা গুটরেজতসু খঙহনখি।

# ন্যুক্লিয়র প্লান্টদা খুৎ থোক্লহনবগীদমক রসিয়াগী ন্যুক্লিয়র ইন্দষ্ট্রিদা অথিংবশিং থম্নবা য়ুক্রেননা আপিল তৌখ্রে

কিভ, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকপগা মরী লৈননা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লহনবগীদমক্তা রসিয়াগী ন্যুক্লিয়র ইন্দষ্ট্রিগী মায়োক্তা অথিংবশিং থম্নবা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা আপিল তৌখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা ভিদিও এদ্রেস অমদা জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা য়ুক্রেনগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অসিবু মীয়াম্বু মীপায়হনবা অমসুং য়ুক্রেনগী লুচিংবশিং অমদি মালেম পুম্ববু ব্লেক মেল্লিং তৌবদা শীজিন্নরি।

ন্যুক্লিয়র পৱার অমা ওইরিবা রসিয়ানা লৈবাক কয়াদা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টশিং শেমগৎ শাগৎলিবনি। য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অদুদা সেল এটেক চথখি হায়না কিভ অমসুং মোস্কোগী মরক্তা নুমিৎ কয়ানি অমনা অমবু মরাল শীন্নদুনা লাকখিবনি।



জেলেন্সকিনা রসিয়ন ট্রুপশিংবু মখোয়না পায়শিনখ্রবা সাইট অদুবু লানবন অমা ওইনা শীজিন্নদুনা মদুদগী নিপ্রো রিজার্বরগী অতোপ্পা মপানদা লৈরিবা নিকো পোল অমসুং মারহানেস হায়রিবা অপীকপা টাউনশিং অসিদা এটেক তৌই হায়না মরাল শীখি।

মহাক্না চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, মদুদি ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টকী সাইট অদুদা রসিয়ন ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌবা অসিনা য়ুরোপতা কোল ৱারগী মতমদা ফাওবা থেংনখিদ্রিবা মওংদা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা রেদিও এক্তিভকী অকিবা পোকহল্লি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি য়েংদুনা রসিয়াগী মায়োক্তা অকনবা রিএক্সন উৎননবা জেলেন্সকিনা ভিদিও অদুগী খুথাংদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা আপিল তৌখি।

থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা য়ুক্রেননা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা য়ুক্রেনদা লান্দাবদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথখিবা ৱার ক্রাইমশিং প্রোজিক্যুট তৌবদা মতেং পাঙননবা তকশিনখি। থাংজ নুমিত্তা ফেজবুক্তা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুক্রেনগী দিফেন্স মিনিষ্টর ওলেক্সি রেস্নিকোবনা হায়খি, মদুদি কিভনা রসিয়ন এটেক্করশিংবু চৈরাক পীননবা ৱার ক্রাইমশিং ইনভেষ্টিগেসন তৌবদা মিলিটরি লোগী এক্সপার্টশিং অমসুং স্পেসিলিষ্টশিং মথৌ তাই।

# পাকিস্তানগী নোর্থ ৱাজিরিষ্টানদা বোম পোকখায়বদা মীওই অহুম শিখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): পাকিস্তানগী নোর্থ ৱাজিরিষ্টানদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মোটোর সাইকল তোংবা মীওই অহুম শিরে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফোঙদোকখিবদা বোম অদু লম্বীগী নাকলদা লৈবা মোটোর সাইকল অমদা প্লান্ট তৌরম্বনি। বোম অদু পোকখায়রকখিবগা লোয়নন্না মীওই অহুম শিখি অমসুং অতৈ মঙানা অশোক অপন নঙখি।




বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুগী মতাংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এরিয়া অদু কোর্দন তৌখি অমসুং ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ওর্গনাইজেসন অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে অমসুং মোটোর সাইকলদা প্লান্ট তৌরম্লিবা এক্সপ্লোসিবশিং অদু করম্বা মখলগীনো হায়বসিসু ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিদে।

থৌদোক অসি মফম অদুদা মিলিটরি কনভোই অমগী মনাক্তা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিবশিং মথন্তা পোকখায়হন্দুনা চথখিবা এটেকতা পাকিস্তানগী লান্মী মরি শিখিবা মতুং শুপ্পগী নুমিৎ খরনি কান্নরগা থোক্লক্লিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা আই এস পি আরনা হায়খি, মদুদি পাকিস্তান আর্মিনা লৈবাক অসিদগী টেররিজম মপুং ফানা মুখৎননবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরে। থৌনা লৈরবা লান্মীশিংনা কখোকখিবশিং অরেম্বদা মাঙহল্লোই হায়নসু আইএসপিআরনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা নোর্থ ৱাজিরিষ্টান ট্রাইবেল দিষ্ট্রিক্টতা পাকিস্তানগী সেক্যুরিটি ফোর্সেসতা এটেক তৌবা অমদি টেররিষ্টশিংগা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং তোইনা থোক্লক্লি। জুলাই ৪ দা এরিয়া অদুদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌবদা য়ামদ্রবদা সেক্যুরিটি পার্সনেল তরা অশোক অপন নঙখি। হৌখিবা মে ৩০ দা মোটোর সাইকল তোংবা সুইসাইদ বোম্মর অমনা রাজমর্ক এরিয়াদা সেক্যুরিটি ফোর্স অমগী কনভোই অমদা এটেক চথখিবদা লান্মী ২ অমসুং অঙাং ২ অশোক অপন নঙখি।

# য়ুকেগী পিএমগী ফম তান্নবগী লমজেলদা লিস ট্রসনা রিসি সুনাক্তগী পোইন্ট ২২ হেনখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): য়ুকেগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম তান্নবগী লমজেলদা ফ্রন্ট রন্নর ফোরেন সেক্রেটরি লিস ট্রসনা কঞ্জার্বেটিব পার্টি লিদরশিপ কন্টেষ্টতা হান্নগী চাঞ্চেল্লর রিসি সুনাক্তগী পোইন্ট ২২ হেন্দুনা চৎলি হায়বসি নোংমাইজিং নুমিত্তা টোরি মেম্বরশিংগী অনৌবা সর্ভে অমনা উৎখ্রে।

ওবজার্বর পাউচেনা কঞ্জার্বেটিব মেম্বর ৫৭০ দা মখোয়গী মত হঙদুনা পাঙথোকখিবা ওপিনিয়ন পোল অমদা ট্রসপু মেম্বর চাদা ৬১ না শৌগৎখি অমসুং হান্না চাঞ্চেল্লর ওইরম্বা বৃটিস ইন্দিয়া রিসি সুনাকপু চাদা ৩৯ না শৌগৎখি। মেম্বরশিংনা হৌজিক্কী এক্তিং প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগী মহুৎ শিনবা অমা খন্ননবগীদমক কোন্টেষ্ট অমসুং ওনলাইনদা ভোট থাদবগী মতম সেপ্টেম্বর ২ হৌগদবা চয়োল অহুম ফারক্তবগা লোয়নন্না ফোরেন সেক্রেটরি লিস ট্রসনা সুনাক্তগী পোইন্ট হেন্দুনা চৎলিবনি।

ওপোনিয়নগী কৃষ্ট কুতিসনা পাউচ অসিদা ফোঙদোকখিবদা



ফাইনেল কেন্দিদেট অনী লেপখিবা মীকুপ অদুদগী ট্রসপু কঞ্জার্বেটিব মেম্বর অয়াম্বনা শৌগৎলি হায়বসি ঐখোয়না খঙবা ঙমখি। ঐখোয়গী খ্বাইদগী নৌবা পোল অসিগী পান দমদি পার্টিগী মেম্বরশিংগী মরক্তা ট্রসপু শৌগৎলিবশিংগী মশিং কয়া য়াম্বগে হায়বসিবু খঙদোকপা অসিনি।

পোল অদুদা টোরি ইলেক্টো- রেটকী ১০ হায়বদি চাদা ২৯ দি হান্ননা ভোট থাদখ্রবনি হায়বসিসু খঙবা ঙমখি। চাদা ৪৭ না মখোয় হান্না খনখ্রবা কেন্দিদেট অদুবু অদুম শৌগৎতুনা ভোট পীগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# কানবেরা এয়রপোর্টতা নোংমৈ কাপখিবা মীওই অমা পুলিসনা ফাখ্রে

কানবেরা, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): নোংমাইজিং নুমিত্তা কানবেরা এয়রপোর্টকী টর্মিনেল বিল্ডিংদা নোংমৈ কাপখিবা মতুংদা পুলিসনা মীওই অমা ফাখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ন কেপিটেল টেরিটরি (এসিটি) পোলিসশিংনা হায়, মীওই অদু পুলিস কষ্টদিদা থল্লবা মতুং নোংমৈ অমা রিকোভর তৌখি। মেদিয়া রিলিজ অমদা এসিটি পোলিসশিংনা হায়, সিসিটিভি রিভিয়ু তৌরে অমসুং পুলিস কষ্টদিদা লৈরিবা মীওই অদু থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরে।

চেকশিন থৌরাং ওইনা কানবেরা এয়রপোর্টকী টর্মিনেলদা লৈরিবা মীওইশিং মফম অদুদগী হোংদোকহনখি অমসুং এয়রপোর্টকী ফিভম কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা অশোক অপনশিং থোকখিবসু লৈতে হায়না এসিটি পোলিসশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এসিটি পোলিসশিংগী দিক্টেটিব এক্তিং সুপরিন্টেন্দেন্ট দাবে ক্রাফনা



হায়খি, মদুদি মীওই অদু লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা এয়রপোর্ট অদুদা চঙলকখি অমসুং দিপার্চরগী চেক-ইন এরিয়াগা নক্লনা ফমজিন্দুনা লৈখি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কো- র্পোরেসননা মহাক্কী ৱারোল পীরদুনা হায়, মিনিট মঙারোম লৈরগা মীওই অসিনা নোংমৈ অমা পুথোরকখি অমসুং রাউন্দ মঙা কাপখি। ঐহাক্লা ক্রাইমশিং অদু উবদা মীওই অদুনা টর্মিনেল মনুংগী গ্লাসতা নোংমৈ কাপশিনখি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

মহাক্লা কষ্টমরশিং নক্তগা ষ্টাফ য়াওনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তগী মায়কৈদা নোংমৈ কাপখিবা লৈতে হায়না ক্রাফনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ওষ্ট্রেলিয়ন ফেদরেল পুলিসনা পাউদম্লক্লে হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর এন্থোনি অলবানিসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীওই অমা দিটেন তৌবগা লোয়নন্না অকিবা পীবগী ফিভম অমত্তা লৈতে হায়না মঙোন্দা খঙহল্লক্লে।

# য়ুএন হ্যুমেন রাইট চীফ বাংলাদেশতা চৎলগনি

ধাকা, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): য়ুএন হাই কম্মিস্নার ফোর হ্যুমেন রাইটস মিচেলি বাসলেট ওগষ্ট ১৪ দগী ১৭ ফাওবা বাংলাদেশতা খোঙচৎ অমা লাক্লগনি হায়না লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্টর অসিনা হায়, হ্যুমেন রাইটসকী লমদা বাংলাদেশনা য়ুএনগা খুৎশম্নুনা থবক তৌরক্লি। খোঙচৎ অসি বাংলাদেশকী হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা ৱাফমশিং হাইলাইট তৌনবগী মরু ওইবা তানফম অমা ওইরগনি।



দোমেষ্টিক লিগেল ফ্রেমৱার্ক অপদেট তৌদুনা, এৱার্নেস পীদুনা অমসুং ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সিশিংবু সেন্সিটাইজ তৌদুনা মীয়ামগী হ্যুমেন রাইটস প্রমোট তৌনবা গভর্ণমেন্টনা থম্মোয় শেংনা হোৎনরিবশিং য়ুএনগী রাইটস চীফ অসিনা খঙবা ঙল্লগনি।

কোভিদ পেন্দামিক অমদি অতৈ অতৈ ক্রাইসিস কয়াগী মরক্তা লৈবাক অসিনা শেল থুমগী থবক থৌরমশিং চাওখৎহন্নবা হোৎনরিঙৈদা লাক্লিবা খোঙচৎ অসি য়াম্না মরু ওই হায়না লৌগনি।

রোহিংয়া ক্রাইসিস ক্লাইমেট চেঞ্জগী চৈথেংনচিংবা লৈবাক অসিগী চাওখৎ খোঙথাংশিংদা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবা ইস্যুশিং অসি লৈবাক অসিগী হ্যুমেন রাইটসকী ফিভম লেপথোকপদা খন্নগদবনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বাংলাদেশতা লাক্লিবা য়ুএন হাই কম্মিস্নার অসিনা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগা উন্নবদা নত্তনা নেসনে হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন, য়ুঠ রিপ্রজেন্টেটিবশিং, সিএসও লিদরশিং অমসুং একাদেমিয়াগা ইন্টরেক্ট তৌনগনি। মহাক্না ওগষ্ট ১৫ দা বঙ্গবন্দু মেমোরিএল ম্যুজিয়মদসু চত্তুনা লৈখিদ্রবা লৈবাক অসিগী লুচিংবা অসিদসু ইকায় খুম্নবা উৎকনি।

# ইজিপ্টতা লম্বীগী এক্সিদেন্ট অমদা মীওই ৯ শিরে, ১৮ শোক্লে

কাইরো, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): অপ্পর ইজিপ্টকী মিনয়া প্রোভিন্সকী হায়ৱে অমদা মাইক্রো বস অমা মথঙ্গা ওনবদগী য়ামদ্রবদা মীওই মাপন শিরে অমসুং অতৈ ১৮ অশোক অপন নঙলে হায়না ইজিপসিয়ান ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মিনয়াগী গভর্ণর ওস্মা অল-কাদিনা ফোঙদোকখিবদা এক্সিদেন্ট অদু থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা থোকখিবনি। খোঙজেল কা হেন্না য়াঙখিবনা মরম ওইদুনা মাইক্রো বস অদুগী মমাঙগী টয়ার পোকখায়খি অমসুং মদুনা গাড়ী অদু হঞ্জিন হঞ্জিন মথঙ্গা ওনখি।

গভর্ণরনা মখা তানা ফোঙদোক- খিবদা অঙাং ১৩ য়াওনা পুন্না পেসেঞ্জর ২৭ তোংখিবা মাইক্রো বস অদু অপ্পর ইজিপ্টকী সোহাক প্রোভিন্সতগী লাকপনি অমসুং মিনয়া ফাওরগা দেজার্টকী লম্বীদা কেপিটেল কাইরো য়ৌগদবনি। এক্সিদেন্ট অদুগী মতুংদা মফম অদুদা এম্বুলেন্স ১৫ থাজিনখি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা পেসেঞ্জর ১৮ লায়কন্নরবা মতুংদা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।



পনবা য়াবদি, ইজিপ্টতা চহী খুদিংগী লম্বীগী এক্সিদেন্টশিংদা মীওই লিশিং কয়াগী পুন্সি লোল্লি। ওগষ্টকী অঙনবা শরুক্তা সোহাক্তা মাইক্রো বস অমগা ট্রক অমগা থেঙ্গাইনবদগী মীওই ১৭ শিখি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিনা অনৌবা লম্বী অমসুং থোংশিং শেমগৎ শাগৎতুনা অমদি অরিবা লম্বী থোংশিংবুনা শেমজিন্দুনা মসিগী রোদ নেটৱার্ক ফগৎহন্ননবা হোৎনদুনা লাকখি।